FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	90.078934
US Dollar	73.528439
British Pound	99.401971
Australian Dollar	55.967919
Chinese Yuan Renminbi	11.242986
Japanese Yen	0.712059
Malaysian Ringgit	18.203920
Singapore Dollar	55.361637
South Korean Won	0.066942
Saudi Arabian Riyal	19.607584
Thai Baht	2.464998
Myanmar Kyat	0.05431
Bangladesh Taka	0.86729

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	49658.00
Mumbai	–	Rs	49635.00
Delhi	–	Rs	49536.00
Kolkata	–	Rs	49720.00

GAS NEWS

SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING UPTO : 27-10-2020
VALID FROM : 22-10-2020
STK : 306
TIME 7:00 -10:00
HOME DELIVERY DATE : 19-12-2020
CONTACT NO 7005695308, 6009772483.

IMPHAL LPG SERVICE
Home Delivery
Booking : 16/12/20
Summit house no. LPG ID no Address with land mark also digital transaction and online payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry numbers- 6009392991 8014389420, 9612718751
Enquiry time 8.30 to 1.pm
Please do not contact driver and handy man except office no i.e. office no

TANGLEI GAS OINAM
V/f- 11-11-20
B/upto - 17-11-20
Stock 612
7am to 10am

KHORIPHABA NAMBOL
Bk upto : 06-11-20
(sl.upto 20374)
Mobile no: 9366471778, 8837349474

M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO : 22/10/20
Valid from : 19/10/20
Time: 11am to 2pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO : 23/11/20
VALID FROM : 06/11/20
19kg & 5kg UJJWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
KWAKEITHEL 9774616525, 6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI 7005210401 & 7005352782
TIMING : 08.00 to 10.30am

GBD INDANE SERVICE
Booking upto :-10/11/2020
Valid from :- 25/10/2020
Stock :- 354
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-12 Noon (Everyday Except Holiday)
Contact no. 7629947179 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto14.2kg-10/12/2020
Valid from-10/11/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto sl.no.200 A&B of 23/11/2020
Valid from : 13/11/20
Time : 7.30 to 11am

MANIPUR GAS SERVICE
Booking up to : 30/11/2020
Valid from 10/11/2020
Home Delivery Only....
Contact no: 8730954041, 8259969582
Office Timing:8 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS
19 kg stock 36

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 am to 12:00Noon
BOOKING : 20. 11.20
VALID : 14.11.20
FOR ALL THANGMEIBAND, LAMPHEL 7628098544 8131852580, 8787630773 9089370369
FOR ALL WAHENGBAM LEIKAI, KEISHAMPAT, KEISHAMTHONG, KHAGEMPALLI, KWAKEITHEL, GHARI, SANGAIPROU, CHANGANGEI, MALOM, YAISKUL, SINGJAMEI, KAKWA, HEIRANGOITHONG, HAOBAM MARAK, PISHUM,MONGSANGEI, LANGTHABAL, SAGOLBAND, TAOBUNGKHOK, PATSOI, YUREMBAM, SAGOLTONGBA, LANGJING, SALAM, LANGOL URIPOK, SINGDA, LAMDENG, AKHAM, MAYANG LANGJING 8131942156, 7630902992, 7627968997
FOR IMPHAL EAST AREA 7005281388, 6009885600
FOR OTHERS AREA 9612009063, 7628094160
DELIVERY WITHIN 3 DAYS

HEIROK INDANE
Booking upto 12-11-2020
Valid from 01-11-2020
Stock:- 306
Home delivery
Contact time :-9.30am to2.00pm

JRONGMEI SK INDANE WANGOI
Bking upto 7/10/20
Valid from 4/10/20.
Stk : 306
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no.69 09963855/8119073029)

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 18/11/2020
BOOKING UPTO: 21/11/2020
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM

মণিপুর সিভিল সর্ভিসেস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিভ (ম্যেন) এগজামিনেসন ২০১৬কী ৱাথোক লৈঙাক্লা শাংদোকহনবীগনু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস):

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী দিভিজন বেঞ্চনা ঙরাং পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অমদা হায় কোর্ট অসিনা মমাঙথক্তা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অমদা ককথৎতুনা চৎনহনখিদ্রবা মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন (এম পি এস সী)না লৌদুনা পাঙথোকখিবা মণিপুর সিভিল সর্ভিসেস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিভ (ম্যেন) এগজামিনেসন, ২০১৬কী ওর্দর অদুগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকখিবা রিভিয়ু পিটিসনশিং মেরিট য়াওদবদগী দিসমিস তৌখ্রবা মতুংদা পাঙথোকখ্রিবা এগজামিনেসন অদুগী গ্রুপ ওফ এস্পিরেন্টশিংনা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

প্রেস মীট অদু ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফালগী মেজোর খুনদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা গ্রুপ ওফ এস্পিরেন্সশিংগী মায়কৈদগী ৱাঙাংলোয় কৈশাম কিষননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুর অমসুং সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী ওর্দরশিংনা ক্বাশ তৌখ্রবা মণিপুর সিভিল সর্ভিসেস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিভ (ম্যেন) এগজামিনেসন, ২০১৬কী ৱাথোক অসি মরম চাদনা মণিপুর লৈঙাক্লা শাংদোকহনবীরনু হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী দিভিজন বেঞ্চনা হায়রিবা এগজামিনেসন অসিবু ককথৎতুনা চৎনহনখিদবগী ওর্দর অদু মমাঙগী কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর ১৮দা পীখিবনি। অদুগা সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী ওর্দর অদুনা নবেম্বর ২২, ২০১৯দা পীখিবনি। অশোয়বা অরানবনা পীক থল্লবা এগজামিনেসন অদুদগী খনখিবা অদুগা হৌজিক্লা থবক্তগী লৌথোকখ্রবা এগজামিনেসন অসিগী কেন্দিদেট খরনা অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা ওর্দর অদুবু রিভিয়ু তৌবীয়ু হায়দুনা থারকখিবা পিটিসনশিং অদু ঙরাং কোর্ট অসিমক্লা দিসমিস তৌখ্রে হায়খি।

মণিপুর লৈঙাক্লা থবক্তগী লৌথোকখ্রবা ওফিসর খরনা হায় কোর্টনা পীখিবা ওর্দর অসিবু রিভিয়ু তৌবীয়ু হায়দুনা থারকখিবা পিটিসনশিং অদুগী গ্রাউন্দশিংদি হায়রিবা এগজামিনেসন অসিগী অশোয়বশিং থিগৎনবা শেমখিবা ইনক্বারি কম্মিটিগী মেম্বরশিংগী মচাশিং এম সী এস সী সী (প্রিলিমিনরি), ২০১৬তা কেন্দিদেট ওইরম্মী। অদুনা মখোয়গী রিপোর্ট অদু নাকল অমত্তগী ওইবগা লোয়ননা ইনক্বারি কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা মখোয়গী মচাশিং হায়রিবা এগজামিনেসন অসিদা থারম্মী হায়বসি কোর্টতা পাউ পীরমদবনা প্রিন্সিপাল ওফ নেচরেল জষ্টিসতা অকায়বা ওই হায়রকখিবনি।

মসিদা গ্রুপ ওফ এস্পিরেন্টসনা ঙক্লিবদি ইনক্বারি কম্মিটিগী মেম্বরশিংগী মচাশিং মরাইবক লৈতবদগী মায়থীহৌরবনি। অদুগা ইনক্বারি তৌরিবনা এম সী এস সী সী (ম্যেন) এগজামিনেসনগী অন্সর স্ক্রিপ্টশিংদনি। লোয়ননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুর অমসুং সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী ওর্দরশিংদা পল্লিবনা হায়রিবা এগজামিনেসন অসি অমুক হন্না পাঙথোকউ হায়বসিনি।

ৱাঙাংলোয় অসিনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়বদা কোর্ট অনীমক্কী ওর্দরশিং অসিদা কদায়দগী কনফ্লিক্ট ওফ ইন্টরেষ্টকী ৱাফম থোরক্লিবনো হায়বসিনি। পুম্নমকসিগী মথক্তা ইনক্বারি কম্মিটি অসি নবেম্বর ২০, ২০১৭তা লৈঙাক অমসুং কেস অসিগী পার্টি খুদিংমক্কী মহুৎ শীনবা কাউন্সেলশিংগী মমাঙদা শেমখিবনি। মসিদা কনা অমত্তগা চয়েৎনবা লৈখিদবনি হায়রি।

অমরোমদা, ইনক্বারি কম্মিটিগী ভেলিদিটি অমসুং করেক্টনেসকী মতাংদা এগজামিনেসন অসিদগী খনখিবা কেন্দিদেট অমনা সুপ্রীম কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌদুনা ৱাকৎলুবসু লৈখ্রবনি। অদুবু এপেক্স কোর্ট অসিনা মতমদু ফাওবদা ইনক্বারি তৌরিবা পিটিস্নরশিংগী অন্সর স্ক্রিপ্টশিংগী রিপোর্ট য়েংলগা কেন্দিদেট খুদিংমক্কী অন্সর স্ক্রিপ্টশিংদা য়াওবা অশোয়বশিং থিগৎলু হায়রকপদগী মখা তারকপা ওইনা ইনক্বারি কম্মিটিগী অরোইবা রিপোর্ট জুলাই ৯, ২০১৮দা লানখৎখ্রবনি হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী অশোয়বা অমসুং মদুবু য়ানিংদে হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক, এম পি এস সী লোয়ননা সেলেক্তেদ কেন্দিদেট অয়াম্বনসু মখল অমত্তগী কমপ্লেন্ট তৌখিদ্রবনি হায়রি। লোয়ননা রিভিয়ু পিটিসন থারকপা মতমদসু রিপোর্ট অদুনা মীচঙ-মীখায় নাইনা পীরম্বা, অরানবা ওবজার্ভেসন নৎত্রগা রিপোর্ট অমত্তদসু ফাইল তৌরকপদগী দিসমিস তৌখ্রবা রিভিয়ু পিটিসনশিং অদুদা পল্লকখিবা লৈতে হায়রি। ইনক্বারি কম্মিটিনা পুথোরকখিবা অশোয়বা ময়াম অমা হায়বদি এগজামিনেসন সুপরভাইজরগী খুৎয়েক য়াওদবা অন্সর স্ক্রিপ্ট ৫৭৬৪, এগজামিনরগী খুৎয়েক য়াওদবা অন্সর স্ক্রিপ্ট ৯৩ অমসুং অতৈ অশোয়বা অরানবা ময়াম অসি লমদম অসিগী মীয়াম্না হেন্না খঙনরবনি। লোয়ননা গ্রুপ ওফ এস্পিরেন্টনসু মতম মতমগী ওইনা মরী লৈনবা ৱাফমশিং মীদিয়াগী খুখাংদা মীয়ামদা ফোঙদোকখ্রবনি হায়রি।

থোইদোক হেন্দোক্লা ইনক্বারি কম্মিটিগী রিপোর্টতদি পন্দবা, মেট্রর অসিগা মরী লৈননা চহী ৩ হেন্না চৎখিবা হিয়রিংদা পুথোরকখিবা, এগজাম অসিবু শীনখিবা মতমদা চৎখিবা ইরিগ্যুলরিটি অমসুং ইলিগেলিটিশিং পনবগী লোইবা নাইরোই হায়খি। অদুম ওইনমক অশোয়বা অরানবা ময়াম অদুগী মনুংদগী লৌখৎতুনা পনবা য়াবদি এম পি এস সীগী সেক্রেটরিনা কন্ট্রোল্লরগী থৌ পুদুনা এগজামিনেসন অসি শীনখিবা, সেক্রেটরিনা আউট ওফ ষ্টেসন ওইরিঙৈদা এদিসনল সেক্রেটরিনা নুমীৎ ১০নিগী কন্ট্রোল্লরগী থৌ পুদুনা এগজামিনেসন শীনবা, হেদ এগজামিনর য়াওদনা এগজামিনেসন পাঙথোকপা, এগজামিনর অমদি অতৈ ওফিসলশিংদা গাইদলাইন/ইন্সত্রক্সন পীখিদবা, মোদরেসন অমসুং স্কেলিং লৈখিদবা, কেন্দিদেটশিংদা পীখিবা ইন্সত্রক্সনশিংগী ৱাংমদা কেন্দিদেট খরদা এক্সত্রা পেপর পীখিবনচিংবনি হায়রি।

অরোইবদা ৱাঙাংলোয় অসিনা ফোঙদোকখিবদা, হায়রিবা এগজামিনেসন অসি অসুক্কী মতিক শোয়রে হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা ওর্দর অদুদা ময়েক শেংনা অশোয়বা অরানবশিং পনখিবগা লোয়ননা এগজামিনেসন অসিগী মতুংইন্না পীখিবা এপোইন্টমেন্টশিং ককথৎনবা খঙহনখ্রবনি। পুম্নমক অসি লৈনা লৈনা ন্যুত্রেল ওইনা লৈদুনা পুম্নমক্কী ফনবা মণিপুর লৈঙাক্লা শীনবীরক্কদ্রা হায়বসি গ্রুপ ওফ এস্পিরেন্টসনা খঞ্জদুনা লাকখিবনি। অদুবু মসিগী ওন্ন-তৈনবদা মণিপুর লৈঙাক্লা এগজামিনেসন অসিবু ককথৎতুনা চৎনহনখিদবা হায় কোর্টকী ওর্দর অদুগী মায়োক্তা রিভিয়ু পিটিসনশিং ওইনা ফাইল তৌরকখিবনি হায়রি। মসিদা গ্রুপ অসিনা খম থেংনা অঙকপা পোকপগা লোয়ননা হৌজিকসু মণিপুর লৈঙাক্লা হায় কোর্টকী ওর্দর অদুগী মায়োক্তা সুপ্রীম কোর্টতা মখা তানা ৱাকৎপীরুগদৌরিব্রা হায়নসু হংখি। লোয়ননা গ্রুপ অসিনা মীয়ামগা লোয়ননা অশেংবা অমসুং অফবা এম পি এস সী অমা ওইহন্নবা, করপসন ফ্রী রিক্রুটমেন্ট লৈহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লিবা অসি মখা তানা চৎখিগনি। মীয়াম্নসু গ্রুপ অসিদা মতেং পাংবীয়ু হায়বগা লোয়ননা ঙরাং রিভিয়ু পিটিসনশিং দিসমিস তৌখিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী দিভিজন বেঞ্চকী ওর্দর অদুবু তরাম্না ওক্লি হায়রি।

তমেংলোং-হাফলোং হায়ৱেগী অশেংবা ৱাফম হায়গদবনি : টি ভি এস এফ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচএনএস):

লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা হৌজিক ওইরিবা তমেংলোং-হাফলোং হায়ৱেগী মতাংদা অপীবা মতমগী মনুংদা হায়ৱে অসিগা মরী লৈননা থোক্লক্কদবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং মায়োক্লদনবগীদমক অশেংবা ৱাফম ফোঙদোক্কদবনি।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী নাগারামদা লৈবা তমেংলোং ভিলেজ ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (টি ভি এস এফ) না পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা ফেদরেসন অসিগী মেম্বরসু ওইরিবা ৱাঙাংলোয় টি পি দেনিনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়, তমেংলোং-হাফলোং হায়ৱেগী মতাংদা ফেদরেসন অসিনা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুগী পাউখুমগী ওন্ন-তৈনবদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিং অসি তশেংনমক নীংবা কায়নীংঙাই ওইরে। মরম অসিনা তমেংলোংগী মহৈরোয়শিংগী ফেদরেসন অসিনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগা করিগীদমক্তা মখোয়না পীশিনখিবা য়াম্না মরু ওইবা মীয়ামগী মেমোরেন্দম অদু অসুক কুইনা খঙশিন্নদনা লৈরিবা করিগীনো হায়নসু হংখি। লোয়ননা তমেংলোং-হাফলোং হায়ৱেগী ‘গুপ্ত এলাইনমেন্ট’ হায়না খঙনরিবা ওরিজিনেল (ওল্ড) এলাইনমেন্ট অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা খন্নদনা করিগীদমক অনৌবা এলাইনমেন্ট অমা শেম্লিবনো। অনৌবা এলাইনমেন্ট অসি শেমদ্রিঙৈগী মমাঙদা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা তানখিবা লৈব্রা। হায়রিবা পুম্নমক অসি য়াওদনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অরিবা এলাইনমেন্ট অসিনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবা তমেংলোং ভিলেজগী লমশিংবু করিগীদমক শিংথানদ্রিবনো হায়নসু হংখি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা তমেংলোং ভিলেজনা পুকচেল চাউনা মীয়ামগী কান্নবগীদমক য়েংলগা হায়ৱে অসিগী কন্সত্রক্সনগীদমক য়াওনা দিভলপমেন্টেল প্রোজেক্টশিংগী লমশিং কৎথোক্তুনা লাক্লিবনি। অরিবা তমেংলোং-হাফলোং হায়ৱেগী এলাইনমেন্টনা মরম ওইরদুনা তমেংলোং ভিলেজগী জুরিসদিক্সন মনুংদা আর্থ কটিং, রিজর্ভ ফোরেষ্ট ক্লিয়ারেন্স তৌবা অমসুং ফার্ম লেন্দশিংদা শোকহল্লিবনি। মসি গুপ্তা এলাইনমেন্ট হায়দুনা খঙনরিবা হায়ৱে অসিগীদমক শেমখিবা এলাইনমেন্টনা থোকহনখিবা ঙাক্তনি। অদুবু পুম্নমক অসি লৈদুনসু হান্নগী এলাইনমেন্ট অদু নাথৈরগা অনৌবা এলাইনমেন্ট অমা করিগীদমক শেম্লক্লিবনো। মসিগী মতাংদা তমেংলোং ভিলেজ ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন্না লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদগী অশেংবা পাউখুম পাম্মী হায়রি।

দিমান্দ পীদ্রবদি থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিল্লক্কদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর১৮ (ঐচএনএস)ঃ

ওল মণিপুর হেল্থ সর্ভিসেস দোক্টর্স এসোসিয়েসন্না মণিপুর গভর্ণমেন্টতা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ কয়া তৌখিবগা মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দশিং অথুবা মতমদা পীথোক্ত্রবদি থবক লেপ্পগী খোঙজং ফাওবা চঙশিল্লগনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ওল মণিপুর হেল্থ সর্ভিসেস ডোক্টর্স এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. টি নিলাকান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওল মণিপুর হেল্থ সর্ভিসেস দোক্টর্স এসোসিয়েসনগী মেম্বরশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি হোটেল ইম্ফাল সঙাই হোলদা রিটয়ার্দ দিরেক্টর হেল্থ ডা. এস ঐচ সুরচন্দ্র শর্ম্মনা চেয়র লৌদুনা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুগী মতুংইন্না অহানবদা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৯ দা এসোসিয়েসন অসিনা মণিপুর গভর্ণমেন্টতা পীশিনখিবা মণিপুর হেল্থ সর্ভিস রূলগী দ্রাফতা য়াওখিবশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্কদবনি হায়রি। দ্রাফ অদুদা মতমগা চাননা প্রোমোসন পীবা, অনৌবা পোষ্টশিং ক্রিয়েট তৌবা অমদি দাইরেক্টর হেল্থকী ফম অসি এম ঐচ এস ওফিসারশিংনসু ওইবা য়াহনবা অসিনি। জেনিমস হোস্পিটালদা চহী ৩ হেন্না থবক তৌরক্লবা এম ঐচ এস ওফিসারশিং হান্নগী মফমদা অমুক হনবদা অয়াবা পীগদবনি। দাইরেক্টর হেল্থ সর্ভিসকী দাইরেক্টর ডা. কে রাজোগী থবক তৌবগী মতম থা ৬ শাংদোক্লিবা অসি খুদক্তা থিংজিনগদবনি। হায়রিবা ৱাফমশিং অসি গভর্ণমেন্টতা মাঙজৌননা থবক্তা ওনথোক্লবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। অদুমওইনমক হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা এসোসিয়েসন অসিনা তাল্লিবা দিমান্দশিং হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা লৈত্রি। মসিনা মরম ওইরগা লাক্লিবা দিসেম্বর ২১ দগী হৌরগা দিসেম্বর ২৬ ফাওবা দোক্টরশিংনা অমুবা বেজ থেক্তুনা থবক তৌগনি। মদুগী মতুং নুমিৎ তরুকনিনা ও পি দি সার্ভিস খক্তমক তৌগনি অতোপ্পা ইমর্জেন্সি সার্ভিস তৌরোই। জন্যুৱারী ২, ২০২১ দগী হৌরগা নুমিৎ মঙানি ও পি দি অমসুং ইমর্জেন্সি সার্ভিসকী থবক লেপকনি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা গভর্ণমেন্টনা তাল্লিবা দিমান্দশিং থবক্তা ওন্থোক্ত্রবদি থংনবা নুমিত্তগী টোটেল সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চঙশিল্লগনি। লোয়ননা এম ঐচ এস ওফিসরশিংনা নন প্রেক্টিসিং এল্লাউৱেন্স ইনজোয় তৌবা য়ারোই অমদি প্রাইভেট প্রেক্টিস তৌবা য়ারোই হায়রি।

এয়রপোর্ট দ্রগ কেসকী ৱায়েলদা মপানগী মীওই ৪ মচিন হংখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): কোলকটাদগী দেক্কান কার্গোনা পুশিল্লকখিবদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা লৈরমখিবা স্পেসল ইন্টলিজেন্স য়ুনিট (এস আই য়ু) পু লুচিংখিবা ইন্সপেক্টর কে রঞ্জিৎকী টিম অমনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী জন্যুৱারী ১১, ২০১৩দা কার্টন বোক্স ৭ পীক থনবা ইলিগেল দ্রগশিং ফাগৎখিবা থৌদোক্কী কেস অদুগী চথরক্লিবা ৱায়েলগী অহানবা শরুক্কী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস (পি দব্লিয়ু) শিং এগজামিন তৌবগী থবক্তা কোর্টনা কেস অসিগী পি দব্লিয়ুশিং ওইরিবা মপানগী মীওই ৪গী মচিন হংবগা লোয়ননা কেস অসিগী এক্যুইজ ৬কী মায়কৈদা লেপখিবা দিফেন্স কাউন্সেলশিংনা মখোয়বু ক্রোস এগজামিনেসন তৌখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল জর্জ (এন দি এন্দ পি এস) ফাষ্ট ত্রেক্ট কোর্ট, মণিপুর লমখনপাও তোন্সিংগী কোর্টতা মচিন হংখিবা কেস অসিগী পি দব্লিয়ু ওইরিবা মপানগী মীওইশিং অদুদি পি দব্লিয়ু নম্বর ৫২ - দিপক টুটেজা (৪৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা অতম দেব টুটেজা, দি জি - টু ৪৫ দি বিকাসপুরি (ন্যু দেল্লি), পি দব্লিয়ু নম্বর ৫৩ - হরিওম গুপ্ত (৭০) অপোকপা লৈখিদ্রবা বাবুরাম গুপ্ত, ৫ কে ২ সিবাজি পার্ক, অলৱর (রাজস্থান), পি দব্লিয়ু নম্বর ৫৪ - কৃষ্ণমুর্থি চন্দ্রু (৫৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা আই কৃষ্ণমুর্থি, ফ্লেট নম্বর - ৩১ অপনাঘর সোসাইটি, প্রিতমপুরা (ন্যু দেল্লি) অমসুং পি দব্লিয়ু নম্বর ৫৫ ওইরিবনা কারালাল মিনা (৬২) অপোকপা লৈখিদ্রবা ভোরিয়ালাল মিনা, ভুকিরৱালি, কৌরালি দিষ্ট্রিক্ট (রাজস্থান) নি।

পি দব্লিয়ুশিং অসিগী মনুংদা দিপক টুটেজানা দিপক মেদিকোজ কৌবা ফার্মাসি অমগী প্রোপ্রাইটরনি। হরিওম গুপ্তনা ন্যু দেল্লিগী এফ ২৫৮ বিকাসপুরিদা লৈবা গোল্ডন মেদিকোজগী প্রোপ্রাইটরনি। কৃষ্ণমুর্থি চন্দ্রুনা এম. সী ফার্মাসিওটিকেলসকী পার্টনর অমনি। অদুগা কারালাল মিনানা কোলকটাগী ইন্টরনেল কার্গো টর্মিনেলগী জোইন্ট জেনরেল মেনেজর ওইরম্বদগী থবক্তগী পোত্থারবা মীওইনি হায়রি।

অপূনবা পি দব্লিয়ু মরিমক্লা কেস অসিগা মরী লৈননা মখোয়গী ৱারোলশিং কোর্ট অসিদা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কেস অসিগী তোঙান তোঙানবা মখোয়গা মরী লৈনবা এগজিবিটশিংগী মশকসু কোর্টতা তাকখি। মখোয়গী ৱারোলশিং পীরবা মতুংদা মখোয়বু মথংশিংনা কেস অসিগী অপূনবা এক্যুইজ তরুক্কী মনুংদগী এক্যুইজ নম্বর ৱান ওইরিবা পাটনাগী রাজেন্দ্র নগরগী আর কে এভেন্যু রোদতা লৈবা রজনিসকুমার (৪৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা মহেন্দ্র প্রসাদকী দিফেন্স কাউন্সেল ওইরিবা মোইরাংথেম দিগেন্দ্রনা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস দিপক টুটেজা, হরিওম গুপ্ত অমসুং কারালাল মিনাদা ক্রোস এগজামিনেসন তৌখি। অদুগা এক্যুইজ নম্বর ২, ৩ অমসুং ৪ - রাজভির টিয়াগি (৪২) গাজিয়াবাদকী নন্দগ্রাম (উত্তর প্রদেশ), হেনরি ওক্রম এলাইজ হেনরি অপোকপা লৈখিদ্রবা ও লুখোই, মন্ত্রি পুখ্রি অমদি চঙাঙ্গৈ ময়ায় লৈকায়দগী সাপম অঙ্গুস এলিয়জ ননাও এলিয়জ নাওবা (২৫) অপোকপা এস ইনাওবীগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল বি বি শর্ম্মনা কৃষ্ণমুর্থি চন্দ্রুদা ক্রোস এগজামিনেসন তৌখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা অহানবদা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন ৯ এ, ২৫ এ অমসুং ২৯গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ১১ (৩) ২০১৩ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। অদুবু পুলিস ষ্টেসন অসিনা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌরক্লবা মতুংদা কেস অসি সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) দা খুৎশিন্নখিবনি। লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি অসিনা থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস নম্বর আর সী - ৭/এস/২০১৩ (কোলকটা) অন্দর সেক্সন ২১, ২৫ (এ), ২৯, ৩২ এন দি এন্দ পি এস এক্ট অমসুং ১২০ (বি), ৪২০, ৪৬৮, ৪৭১ অমসুং ৫০৬ ইন্দিয়ন পেনাল কোদ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি।

এন এস সী এন-কেদা অথিংবা থম্বগী ...

লামায় ১গী মখা... মতুং ইন্না এন এস সী এন-কেনা ইন্দিয়ন য়ুনিয়নদগী তোখাইনা তাদুনা ইন্দো-ম্যান্মার লমদমগী নাগা তাবা এরিয়াশিং পুল্লগা সোভরেন নাগালেন্দ অমা শেম্নবা লেপ্তুনা হোৎনরি হায়না সেন্টরনা থাজে।

এন এস সী এন-কেনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং নাগালেন্দ, মণিপুর অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী গভর্ণমেন্টশিংগী ওথোরিটি শীংনদুনা লোনা য়াদবা অমসুং মীশি-মীনা থোকহনবা থবক থৌওং কয়া চথরি হায়না সেন্টরনা ফোঙদোকখি। গ্রুপ অসিনা অতৈ লৈবাকশিংদা লৈরিবা এন্টি-ইন্দিয়াগী ফোর্সশিংদগী মতেং লৌদুনা খুৎলাই কয়া লৈশিল্লি অমসুং ইন্দিয়াগী সোভরেন্টি অমসুং টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি শোক্কদবা লোনা য়াদবা থবক কয়া চথরি। কুমজা ২০১৫ গী সেপ্তেম্বর ২৮ দগী এন এস সী এন-কে চেন্নবা হাৎনা শুনবগী থৌদোক ১০৪ থোকখ্রে। মখোয়না সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী পর্সনেল তরেৎ অমসুং মীচম তরেৎ হাৎখি অমসুং মীচম ৭৫ ফাখি হায়না সেন্টরনা হায়খি।

রিজাইন তৌখ্রবনি হায়বা...

লামায় ১গী মখা... লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী স্পিকর অমসুং সেক্রেটরিগী মায়কৈদনা লৈবাক অসিগী এদিসনল সোলিসিটর জেনরেল নরসিমহানা লেপ্লগা কাউন্সেল এস চিত্তরঞ্জননা এসিষ্ট তৌখি।

কোর্টনা পার্টি পুম্নমক্কী মায়কৈদগী সিনিয়রশিং য়াওনা কাউন্সেলশিংনা সবমিট তৌনরকখিবা ৱাফমশিং (কাউন্টর এফিদেবিট/রিজোইন্দর/ক্লারিফিকেসন/আর্গ্যুমেন্ট সবমিসন) লোয়নমক তারবা মতুংদা মেট্রর অহুম অসি জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজর্ভ তৌদুনা থমখিবনি।

পনবা য়াবদি, পিটিস্নরশিং অসিনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী স্পিকরদা এদ্রেস তৌদুনা পীশিল্লকখি হায়রিবা মখোয়গী রিজিগনেসন লেট্টরশিং অদুবু স্পিকরগী মায়কৈদগী ভেরিফিকেসনগী থবকশিং য়াওনা পাঙথোকফম থোকপা প্রোসিজরশিং কান্থোক্লম্লগা অয়াবা পীখিবনি হায়বগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসনশিং অদুনা সাম্যুএল জেন্দাইগী দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর-৩৯৬ ওফ ২০২০, টি থাংজালম হাওকিপকীনা দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর- ৩৮৭ ওফ ২০২০ অমসুং এস সুভাসচন্দ্রগী দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর- ৪৩৩ ওফ ২০২০ নি।

ময়াং ইম্ফালদা নুপীমচা অমা...

লামায় ১গী মখা... সেক্সনশিং অসিগী মখাদা এক্যুইজশিং ওইরিবা অরিফ এলাইজ মজা খান, এম দি সলিম খান, এম দি নুর মোহম্মদ, এম দি ফৈজ এলিয়জ মোহম্মদ, এম দি সিকন্দর আলি অমসুং মজিদা বেগমগী মথক্তা প্রাইমাফেসি লৈরে হায়নসু ফোঙদোরকখি। লোয়ননা কেস অসিগী ৱায়েল চথবা মতমদা এগজিবিট ওইনবগীদমক পুলিসনা খোমজিনখিবা পোৎলমশিংগী সিজরমেমোনচিংবসু লোয়নরকখি। অদুম ওইনমক সেন্ট্রেল ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি (সী এফ এস এল), অসামদা সেপ্টেম্বর ১৫, ২০২০দা দি এন এ এগজামিনেসন/এনালাইসিসকীদমক হাপখিবা সেম্পলশিংগী রিপোর্ট/রিজল্ট লাক্লবা মতুংদা কেস অসিগী সপ্লিমেন্টরি চার্জশীট অমা সবটি তৌরকখিগনি হায়বা ৱাফমসু পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখি। কেস অসিগী চার্জশীট নম্বর অদুনা ১৬/দব্লিয়ু পি এস-ইম্ফাল ৱেষ্ট/২০২০নি হায়রি।

এক্স-এম এল এ সুরচন্দ্রগী...

লামায় ১গী মখা... মায়কৈদগী কোর্টতা সবমিট তৌরকখিবা ৱাফমশিংগী মতাংদা পিটিস্নরগী কাউন্সেল ওইখিবা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনমনা মহাক্কী ওইবা ক্লারিফিকেসন/রিজোইন্দরশিং সবমিট তৌখি।

কোর্টনা পিটিস্নর কাউন্সেলগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা কেস অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজর্ভ তৌদুনা থম্লে হায়খি। ঙসি দিভিজন বেঞ্চ অসিনা লিষ্ট তৌখিবদা দিসক্বালিফিকেসন ওর্দরবু চেলেঞ্জ তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসন অসিগা মরী লৈননা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস কেস (দব্লিয়ু পি-সী) নম্বর- ১১২ ওফ ২০২০সু পুন্না লৌখৎখি। মিসেলিনস কেস অসিনা মোইরাংথেম চন্দ্রসেখর কৌবা এপ্লিকান্ট অমনা এক্স-এম এল এ ৱাই সুরচন্দ্র অমসুং অতোপ্পা মীওই ৩গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

পনবা য়াবদি, চৎলিবা কুমজা অসিগী জুন ১৯দা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী রাজ্য সভা সিট অমগী মীখলগী নোংমা ৱাৎলিঙৈ জুন ১৮-দা স্পিকর ত্রাইব্যুনেলনা থোকখিবা ওর্দর অমদা ককচিং এ সীগী এম এল এ ওইরম্বা ৱাই সুরচন্দ্রবু টেন্থ সেদ্যুল্ডগী প্রোভিজনশিংগী মখাদনি হায়দুনা দিসক্বালিফাই তৌখিবনি।

অমরোমদা, হৌজিক্লা ৩৭-ককচিং এ সীগী এম এল এ ওইরবা ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা এক্স-এম এল এ অসিগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর-১ ওফ ২০১৭কী মমাঙ থাগী ৫দা জষ্টিস এম ভি মুরালিদরননা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদা এক্স-এম এল এ অসিবু এম এল এ ওইহনখিদবা অমসুং মহাক্কী মায়োক্তা ইলেক্সন পিটিসন ফাইল তৌরকখিবা এম রামেশ্বরবুনা এম এল এনি হায়দুনা দিক্লার তৌখিবা ওর্দরগী মায়োক্তা ৱাই সুরচন্দ্রনা সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ৱাকৎখিবা লৈরি। মহাক্কী ৱাকৎ অসিগী মতুংইন্না এপেক্স কোর্ট অসিনা দিসেম্বর ১৬, ২০২০দা পীরকখিবা ওর্দর অমদা ঙসি হায় কোর্টনা রিজর্ভ তৌখিবা মহাক্কী দিসক্বালিফিকেসনবু শীংনবা কেস অসিদা মহাক্লা ঙল্লবদি সুপ্রীম কোর্টতা অমুক হন্না ৱাকৎলনবগী অয়াবা পীরকখিবনি।

লুপা ক্রোর ৪০ চঙনা...

লামায় ১গী মখা... হরাওবা ফাওই। পার্ক অসি ২০২১ অরোইবা থা ফাওবগী মনুংদা শাবা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি। পার্ক অসি শাবা লোইরবা মতুং পার্ক অদুগী অকোয়বদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীওই কয়াদসু খুদোংচাবা পীবা ঙল্লগনি।

লম্ফেলপাৎতা ৱাটর বোদি অমা শেমগৎ-শাগৎনবগীদমক লম একর ৪৬০ ইয়রমার্ক তৌদুনা থল্লে। মসিনা লম্ফেলপাৎকী মহৌশাগী শক্তম কনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অৱাং পোৎশংবম খুনৌগী থেংঙু চীংজিলদা লিক্লা লৈমা লৈকোলসু শঙ্গাখি।

থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাই, টুরিজম মিনিষ্টর ও লুখোই অমদি সোসল ৱেলফিয়র মিনিষ্টর ওক্রম হেনরিসু শরুক য়াখি।

ৱাটর সপ্লাই স্কিম ৪ শাননবা মিনিষ্টর এস রাজেননা উরেপ ...

লামায় ১গী মখা... সেক্টর কয়া হান্না লৈরম্বা ফিভমদগী য়াম্না ফগাৎলক্লে। স্কুল ফগাৎহনসি হায়বা মিসন অসিগী মখাদা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা অনৌবা বিল্ডিং কয়া শাখ্রে অমদি হান্না লৈরম্বা বিল্ডিংশিং অমুক নৌনা শেমগৎ শাগৎপগী থেবকশিং লেপ্পা লৈতনা চথরি। গভর্ণমেন্ট অসিনা লাকপদগী হান্না থবক ফগলমদবা হে শিংলবা নহা কয়া মশানা মশাবু থবক পীজবা ঙম্লে। মখা তানসু অফবা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা মতেং পীনবগীদমক মতম পুম্বদা শেম শাদুনা লৈ হায়খি। মিনিষ্টর রাজেনগী ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা পি ঐচ ই, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিবিজনগী ইগ্জিক্যুটিব ইঞ্জিনিয়র এন শান্তিকুমার, এসিষ্টেন্ট ইঞ্জিনিয়র পি বুশ অমদি লোকেল বোদিশিংসু শরুক য়াখি।

মথৌ নীংথিনা তৌদবা ডোক্তরশিং এক্সন ...

লামায় ১গী মখা... থা অসিগী ১৪দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মাও অমসু জিরিবাম গেটতা লৈবা থর্মেল স্ক্রিনিং সেন্টরশিং, কোভিদ ক্যের সেন্টর ৬ অমদি ইম্ফাল ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা থুংলবা পেসেঞ্জরশিং থা অসিগী ১৭ তগী টেষ্ট তৌবগী থবক লেপখ্রে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুমীদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৮০ অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ)কী পর্সনেল ৬ পুন্না মীওই ৮৬ নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে। পোজিটিভ কেসশিং অসি জেনিমসতা ১৬, রিমসতা ১৬, ইম্ফাল ইষ্টতা ৩, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৯, মাদরস ক্যেরদা ১, ইসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্সতা ১, শিজ হোস্পিটালদা ১১, রাজ মেদিসিটিদা ৫, জীবন হোস্পিটালদা ২, থৌবালদা ১, বিষ্ণুপুরদা ৮, চান্দেলদা ২, সেনাপতিদা ১, নোনেদা ১ অমসুং ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ৯ থেংনখিবনি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ২৭, ইম্ফাল ইষ্টতগী ২৭, থৌবালদগী ৭, বিষ্ণুপুরদগী ১০, ককচিংদগী ৩, সেনাপতিদগী ১, চান্দেলদগী ২, কাংপোকপীদগী ১, নোনেদগী ১ অমসুং তেংনৌপলদগী ১ য়াওরি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা তমেংলোংদগী মশাগী চহী ৭০ শুরবা নুপা অমা অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতগী মশাগী চহী ৬৪ শুরবী নুপী অমা লৈখিদ্রে। মীওই অনী অসি জেনিমস অমসুং রিমস হোস্পিটালদা লৈখিদবনি। মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ২৭,৫৪০ শুরে। ফগাৎলকপা কেস মশীংনা ২৫,৩৭১ য়ৌরে। ফগাৎলকপগী চাংনা চাদা ৯২.১২ ওইরি। অদুগা কেস ১৮৩৫ না এক্টিভ ওইরি। লোয়ননা মীওই ১২১ নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

সী এমনা ক্রোর ৩.৯গী লোন ...

লামায় ১গী মখা... মহাক্লা মখা তানা হায়খি, লমদম অসিগী মীওই খরনা মীয়ামগী নুমীৎ অমসুং হিল লিদরস দে পাঙথোকপা হৌরকপদা করেম-কথাইনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরকখি। অদুম ওইনমক বি জে পি লৈঙাক লাকপদগী হৌদোকখিবা মীয়ামগী নুমীৎ অমসুং হিল লিদরস দেগা মরী লৈননা লমদম অসিগী শোত্থরবা মীওই কয়াদা মতেং পীবা ঙল্লে। মীয়ামগী নুমীৎ অমসুং হিল লিদরস দে নুমীৎতা লাকখিবা মীওইশিংনা ফোঙদোক্লম্বা অমদি মতেং নীরম্বশিং লৈঙাক অসিনা পাঙথোক্লবা অমসুং পীনবা হোৎনদুনা লাক্লি। মখা তানসু হোৎনখিগনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মখা তানা হায়খি, এম এস সী বি এল খক্তনা লমদম অসিগী মীয়ামদা লুপা ক্রোর ১৬ হেন্না মতেং পীখ্রে। হায়রিবা মীওইশিং অদু হৌজিক হৌজিক মশা-মশাগী শিনফম পায়দুনা চাবা থকপা ৱাৎতবা মীওইশিং ওইরে।

ফোরেষ্ট, ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাই অমসুং সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর টি ঐচ সত্যব্রত য়াওনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা বেঙ্কশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়ামগী কান্নবগীদমক কা হেন্না থবক তৌরিবা বেঙ্কশিংদা মনা পীগনি অমদি নেসনেল বেঙ্ক ফোর এগ্রিকলচর এন্দ রুরেল দিবলপমেন্টনসু মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়খি।

[illegible]/ অৱাবা ফোঙদোকপা

হৌখিবা তাং ৯/১২/২০২০, য়ুমশকৈশা নুমীৎতা TAKDO গী এক্টিভ মেম্বর ওইদুনা থবক থৌরম খুদিংমক্তা মায়পুদুনা অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বগা লোয়ননা হন্দক্তা শঙ্গাখিবা Guigailong Community Hall শাবদা মরুওইবা থৌদাং লৌবীরম্বা Khwairakpam Lokendro Meitei লৈখিদ্রে। Shri Lokendro না লৈখিদবদা TAKDO গী মেনশিনবা ঙল্লোইদবা অহোবা অমা ওইরগনি। মহাক্লা লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা TAKDO গী Chief Patron, Shri Kh. Joykisan Singh, Hon'ble MLA, Thangmeiband A/c না ময়াই তাংবল লৌবীদুনা পাঙথোকখ্রে। থৌমীশিংনা মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা মপূগী খূয়াদা Shri Lokendroগী থৱায়না ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবগীদমক মপূগী মফমদা থৌনীজখি। মহাক্লা লৈখিদবদা ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু TAKDO না শরুক য়াবা ফোঙদোকচরি।

ফোঙদোকচরিবা : **L. Bormani Singh,** Publicity Secretary,
Thangmeiband Kendra Development Organisation
(TAKDO), Imphal

HL-P/8296/19

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF TRIBAL AFFAIRS & HILLS
IMPHAL, MANIPUR

NOTIFICATION

Imphal, the 17th December, 2020

No.12/NSP/2019-TA&H: In continuation of this Office Order of even No. dated 01.12.2020, in view of the ongoing admission process in many institutes, Online Registration, Submission and Verification on National Scholarship Portal (NSP) is extended by NSP Team, New Delhi as given below:

Last date of online registration and submission of application on NSP by applicants	Last Date of verification at Institutes Level	Last date of verification at State Level
15.01.2021	30.01.2021	15.02.2021

4. No complaints or request for extension of Online Registration of ST Scholarship on National Scholarship Portal will be entertained by this Office after 15.01.2021.

For any queries/assistance, contact mobile nos. 9402267219/ 9856301337/ 8974105400/ 9612255251.

Sd/- **C. Arthur Worchuiyo**
Director
Tribal Affairs & Hills

HL-B/6628/18&19